# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-09-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমদেংদা লৈবা সিজ কম্মন বাইও মেদিকেল ৱেষ্ট ত্রিটমেন্ট ফেসিলিতিদা নিশাগী পোৎলমশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-মৈ থাদোকপা অদুদা হেরোইন পাউদর কিলোগ্রাম তরুক, ব্রাউন্দ সুগর কিলোগ্রাম ৮৭, দডল্লিয়ু ৱাই টেব্লেৎ কিলোগ্রাম ২২, এস.পি. কেপসুল খরা, সুদোইফিদ্রিন কিলোগ্রাম ৩৬ অমসুং গঞ্জা কিলোগ্রাম ১৮২ য়াওরি।

তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী পুলিসশিং, নাব অমসুং সেকুøরিতি এজেন্টশিংনা ফাগৎলকখিবা পোৎলমশিং অদু দি.জি.পি. শ্রী রাজিব সিংহ অমসুং মনিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগী মমাংদা মৈ থাদুনা মাঙহনখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.জি.পিনা হায়-মনিপুরবু নিশা শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি। মহাকা হায়-দ্রগ ত্রাফিক্কিং অমসুং দ্রগ শিজিন্নবা থিংনবা হোৎনরিবশিংবুসু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি। দ্রগ লল্লোনবশিং অমসুং য়োল্লিবশিংগী অকুপ্পা পাউ মীয়ামনা পুলিসতা পীবিরকবা মহাকা আপিল তৌখি।

থা অসিগী ১৮ দা দাইরেক্তোরে ওফ এদুকেসন (এস) কী সোই শাদুনা শাশিন্নবা ছুতিগী ওর্দর অমা থোকখিবগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই অনি ফারে। এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তোরেটনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাকৎলকপদগী সাইভর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনদা এফ.আই.আর. অমা লৌখৎখিবনি।

অমরোমদা, সেকুøরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুরাই কোনসম লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী

মীওই অমা ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাংঙু মমাং শবলদগী কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী মীওই অমা ফাখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা নুমিৎ অসিমক্তদা কে.সি.পি (নোয়োন) গী মীওই অনিসু মখোয় মখোয়গী ময়ুমদগী ফাগৎখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা ফংখি।

মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মন্ত্রি পুখ্রি ফ্রেন্দস কোলোনিদগী এন.আর.এফ.এমগী নুপী কাডর অমা ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লমদেং ময়াই লৈকাইদগী আর.পি.এফ.-পি.এল.এগী মীওই অমসু ফাগৎখি।

**সেবা (এল)ঃ** নেসন ফার্ষ্ট এদ ৭৫ কেম্পেইন অমসুং সেবা পর্বগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌরম কয়ামরুম পাঙথোক্লি।

ভারতপু ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভিক্সিত ভারত ওইনবা পান্দম থল্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা লু-নানবা, কলচরেল একচেঞ্জ তৌবা, লমদম অসিগী হেরিটেজকী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহনবা অমসুং নহাশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সেবা পর্বগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মি ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরীনসু থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ. কমপ্লেক্সতা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী মখাদা ভারতনা নীং-খা তমবা হোৎনবদা লান্থেংনখিবশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ইগজিবিসন অমা পাঙথোকখি। ইং ১৯৪৪ গী এপ্রিল ১৪ দা মোইরাংগী কংলাদা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল ইহান হান্না য়ুংখিবা মফম, নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী ফোটোশিং, আই.এন.এগা মরী লৈনবা চে-চাং, পোৎলমশিং ইগজিবিসন অদুদা উৎখি। সেবা পর্ব অসিগী মতাংদা আই.এন.এ. ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরীগী ক্যুরেটর-ডা: লাইশ্রম সাধনা দেবীনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা ফোংদোরক্লি।

**কেম্পেইন (এল)ঃ** বি.জে.পি. ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বি.জে.পি. ক্ষেত্রিগাউ মন্দলনা শিনদুনা জিলা থাক্কী অত্মা নিভর ভারত-সংকলপ কেম্পেইন (হর ঘর স্বাদেসি) ঙসি পাঙথোক্কনি।

কেম্পেইন অসি রাজ্য থাক্কী ওইনা হৌখিবা তাং ২৫ বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা শিনদুনা ইম্ফালগী থন্বাল শঙলেনদা হৌদোকখিবনি। কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিং পাঙথোকপা, লমদম অসিদা শাজবা পোৎলমশিং উৎপা ইগজিবিসন পাঙথোকপনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

**মনা (এল)ঃ** নেসনেল এইদস কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসনগী মখাদা সিক্কিম ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিনা শিনদুনা পাঙথোকপা রিজনেল থাক্কী চাংদমবদা মনিপুরগী মহুৎ শিনদুনা শরুক য়ারুবা মাদরস প্রাইট একাডমীগী মহৈরোই অনি-অহোংশাংবম মুকেশ সিংহ অমসুং এরিসন থৌদাম মায় পাক্লক্লে।

অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোল য়াওনা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল লেবেল রেড রিবন কুইজ কম্পিটিসন অদুদা মখোয় অনিনা মায় পাক্লকখিবনি। নাগালেন্দ ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিনা শিনদুনা মথং থাগী ৩১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল রেড রন কুইজ কম্পিটিসনদা মখোয় অনিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মহুৎ শিনদুনা শরুক য়াগনি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৬ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দো

দাক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা অনৌবা ফোর জি মোবাইল টৱার লিশিং ৯৭,৫০০ হৌদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা হৌদোক্লিবা মোবাইল টৱারশিং অসিগী মনুংদা মোবাইল টৱার ৯২,৬০০ দি লমদম অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা টৱারনি। বি.এস.এন.এলনা য়ুংগদৌরিবা টৱার অসি লুপা কোতি লিশিং ৩৭ চংনা পায়খৎপনি। মসিনা অহেনবা খুঙ্গং লিশিং ৩০ দা ইন্টরনেটকী হায় স্পিৎকী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

উরিষ্যাদা ঙরাং তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং লাউথোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-বি.এস.এন.এলনা লৈবাক অসিদা শাজবা ফোর জি নেটৱার্ক অসিনা টেলিকোম নেটৱার্ক মশা মরোমদোম শাজবা ঙম্বা লৈবাকশিংগী মনুং চল্লে। শ্রী মোদিনা হায়-ইং ২০১৭ তা জি.এস.টি. চৎনবা হৌখিবদগী নাগরিকশিংদা টেক্সকী পোৎলুম লৈরম্বা অদু শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরে।

**ব্রিক্সঃ** ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগী মীফমনা চহি অসিগী এপ্রিল ২২ দা জম্মু কাশ্মিরগী পহলগামদা চথখিবা টেরোরিষ্ট এটেক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিগী ৮০ শুবা মীফম য়াওবা লাকখিবা ব্রিক্সকী মপান থৌরম মন্ত্রালয়শিংনা চহিগী মীফম পাঙথোক্তুনা য়ানিংদবা অদু ফোংদোকখিবনি। মীফম অদুনা টেরোরিজমগী থবক থৌরমশিং য়ানিংদবা অমদি টেরোরিজম থেংনবদা ৱাখল অনি লোংবগী থবক তৌরোইদবনি হায়না য়ান্নখি।

**ক্রিকেটঃ** য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসকী অবু দাবীদা চথরিবা এসিয়া কপ

ক্রিকেটকী ফাইনেলদা ঙসি নুমিদাং ভারতকা পাকিস্তানগা শান্নরগনি।
মেটচ অসি নুমিদাং পুং ৮ দগী হৌগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বি.জে.পিগী এম.এল.এ. পাওলেনলাল হাওকিপ দিসক্কালিফাই তৌনবা দিমান্দ তৌরি হায়বা পাউ অমদি ৱাল্ড টুরিজম ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

বি.জে.পিগী এম.এল.এ. পাওলেনলাল হাওকিপ দিসক্কালিফাই তৌনবা এফিদিবিট ফাইল তৌখ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকল, সনা লৈবাক অমসুং মোরনিং বেলদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ৱার্ল্ড টুরিজম ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। টুরিজম সেক্তরদা খুমাং চাউশিন্নবা লৈঙাকা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা লাক্লি। সসটেনেবল টুরিজমগী ৱাখল্লোনদা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎপা হৌরে হায়বা চীফ সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। ৱার্ল্ড টুরিজম ডে পাঙথোকখিবগী পাউ অসি মনিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিমাপুরোমদগী পুশিল্লকপা পোৎ-চৈগী মমল ইম্ফাল য়ৌরকপদা অতিয়া পকা ৱাংলিবা অসি মাওদগী ইম্ফাল ফাওবগী মরক্তা ইলিগেল টেক্সশিং লৌবদগীনি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দ্রগ কিলো ৩৩২ মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

দ্রাইভরশিংনা নেসনেল হায়ৱে টুদা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিল্লম্বা অদু হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।